# নুমিৎ ১৪ নি চখ্থগদবা নেসনল হেন্দলুম এক্সপো ২০১৯-২০ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসিয়ন সী এস লিমিটেদ পাওনা কৈথেলনা শীন্দুনা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস দিভলপমেন্ট কমিসনর ফোর হেন্দলুমগী স্পোন্সরসিপ মখাদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৪ নি ফাওবা চখ্থগদবা নেসনল হেন্দলুপ এক্সপো ২০১৯-২০ ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী নিলকুথিদা লৈবা অর্বান হটতা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর হেন্দলুপ এন্দ হেন্দিক্রাফন্ট দিভলপমেন্ট কোপোরেসন লিমিটেদ পাওনা কৈথেলগী চ্যেরমেন এস অচৌবা, মণিপুর এপেক্স এল ৱিভরস এন্দ ঐচ সী আর্টিয়ান্স সী এস লিমিটেদ পাওনা কৈথেলগী প্রসিদেন্ট কে ইন্দিরা, দল্লিয়ু সী এস লিমিটেদ পাওনা কৈথেলগী প্রসিদেন্ট কে ইন্দিরা, দল্লিয়ু এস সী পোরোমপাৎকী দেপ্যুটি দাইরেক্টর ঐচ কে বারো, সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া ইম্ফালগী চীফ মেনেজর হলায়ুধ কুমার, পি এ এস সী তাকয়েলপাৎ ইম্ফালগী ওফিসর ইন-চার্জ টি ঐচ সুনিল অমদি এন ঐচ দি সী লিমিটেদ পোরোমপাৎকী ওফিসর ইন-চার্জ মার্কেটিং ৱাই শান্তিকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

মণিপুরগী নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা হৌদোকখিবা নেসনল হেন্দলুপ এক্সপো অসিদা তোঙান-তোঙানবা প্রাইমারি ৱিভর কোওপরেটিভ সোসাইটি, ৱিভর সেলফ হেল্ফ গ্রুপ, হেন্দলুম ইন্টপ্রেনরশিংগী পুন্না ষ্টোল ৫০ রোম শরুক য়ারি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এস অচৌবনা ফোঙদোকখিবদা নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা হেন্দলুপ এক্সপো ২০১৯-২০ তৌবা অসি য়াম্না মতম চাই হায়না লৌজে।

হৌজিক কোভিদ-১৯গী প্রোব্লেম্না মরম ওইদুনা খ্বাইরবন্দ ইমা কৈথেল ফাওবা হাংদনা লৈরি। ফিশাবীশিংগী মথৌ তাবা য়ান (লং) ফংহন্নবা পাওনা কৈথেলদা লৈরিবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোপোরেসন লিমিটেদকী মখাদা ৱাঙ্গৈইদা নৌবা য়ান (লং) ফংহনবা দুকান অমা হাংদোক্লো হায়খি। জিরিবাম অমদি ময়াই ইম্ফালদসু য়ান (লং) ফংহন্নবা দুকান অমমম মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না হাংদোক্লবা হোৎনরি। মফম অসিদা ৱিভরগী কার্দ পায়বা মীওইশিংনা লং লৈবদা খরা হোংনা ফংগনি। ইমা ইবেনশিং অমদি ইচে-ইচনশিংনা হেন্দলুমগী ফিরোলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মথৌ তাবা লোননচিংবা বেঙ্কতগী অদুম লৌবা য়াই। চাং নাইনা লোন শীংলবদি মখা তানা অদুম চাওখৎপা লোন পীবিনবসু বেঙ্ককী ওফিসলশিংদা মহাক্না অপিল তৌরি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরনা হেন্দলুম এক্সপোগী ষ্টোল হাংলিবশিং কোয়না চত্তুনা য়েংখি।

ষ্টোল ফম্লিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হেন্দলুমগী তোঙান-তোঙানবা ফিরোলশিং শারুরগা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা অমা লৈরম্বা অদু অসিগুম্বা হেন্দলুমগী এক্সপো নিংঙোল চাক্লৌবা ময়াদা পাঙথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাইরে হায়রি।

# প্রিন্সিপালশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট কেন্সেল তৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসননা ঙসিদগীনা চহী ৫ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৫গী মার্চ ৩দা কোলেজ অহুমগী প্রিন্সিপালশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগীদমক মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) দা পীরকখিবা প্রপোজেল/রিক্যুজিসন (লেট্টর নম্বর ১০/১০৯/২০১৫-হায়র এদ্যুকেসন) অদুবু ৱিথদ্রো তৌরগে হায়দুনা কম্মিসনদা অনৌবা চেরোল অমা পীরকপদগী কম্মিসননা খন্নরবা মতুংদা কোলেজ অহুমসিগী প্রিন্সিপালশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগীদমক থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদু কেন্সেল তৌরে হায়রি।

এম পি এস সীগী সেক্রেটরি এন জি রোবেননা মমাঙ থাগী ২৯দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী মায়কৈদগী প্রিন্সিপালশিং অসিবু রিগ্যুলর বেসিষ্টতা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগীদমক থারকখিবা প্রপোজেল/রিক্যুজিসন অদুবু ৱিথদ্রো তৌরগে হায়দুনা থারকখিবা চেরোল অদুগী নম্বরনা ১৪(৩)/৩/২০২০ হায়র এদ্যুকেসননি। চেরোল অসি মমাঙ থাগী ২৩দা থারকখিবনি হায়রি। অদুগা লোইশঙ অসিগী অহানবা প্রপোজেল/রিক্যুজিসনগী মতুংইন্না কম্মিসননা হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কোলেজ, ইম্ফাল, এল এম এস লো কোলেজ ইম্ফাল অমসুং দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন, ইম্ফালগী রিগ্যুলর বেসিষ্টতা প্রিন্সিপালশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগীদমক থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুগী নম্বরনা ৬/২০১৮নি। এদভর্টিজমেন্ট অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ২৭তা থোকখিবনি হায়রি।

# মীওই ৩৫২ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবশিংগী মথক্তা পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চখ্দুনা ফাগৎপগী থবক কন্না চখিরি।

কোভিদ-১৯গী ভাইরস অসিবু থিংনবা লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মরু ওইনা যুমদগী হেক থোকখিবদা ফেস মাস্ক উপ্পবা, মীরক্তা চংবদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং য়ামদ্রবদা ফিট তরুক লাপ্না লৈতবা মীওই পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চখ্থবদা পুন্না মীওই ৩৬২ ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী পুন্না ফাইন ওইনা লুপা ৬৬,০৭০ খোমগৎখি।

লৈঙাক্না থম্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিগী ৱামদা কনাগুম্বনা থৌওইদদুনা থোরক্লগদি পুলিস দিপার্টমেন্টনা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ কী মখাদা লোগী মতুং ইন্না লিগেল এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱা থম্লক্লি।

# পুলিসকী দ্রাইভতা য়ুঙাং, য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমদা থি-হুম্বা চখ্থবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক, য়ুঙাং, য়ুঙৌ মদি বিয়ারনচিংবা য়াল্লবা য়ু ফাগৎখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, সেকমাই পরাও এরিয়া, তৌপোকপী কৈথেল, থাংমৈবন্দ এরিয়া, ককৱা কৈথেল, লমশাং এরিয়া, ময়াংলাংজিং এরিয়া অমদি পাওনা কৈথেল এরিয়ানি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা থি-হুম্বা চখ্থবদা ফাগৎখিবা পোৎমশিং অদুদি য়ুঙৌ লিটর ১৩১, বিয়ার বোট্টল ৬২২ অমদি ইন্দিয়া মেদ ফোরেন লিকর বোট্টল ২৭৬ রোম য়াওনা ফাগৎখি।

অমরোমদা, লম্ফেল পুলিসনা ঙসি চঙাঙ্গৈ এরিয়াদা থি-হুম্বা চখ্থবদা য়ুঙৌ লিটর ১৫০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু লোকেল মৈরা পায়বীগী মমাংদা লম্ফেল পুলিসনা হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

# 'ইরং থোং লৈঙাকপশিংগা কন্ত্রেক্টরশিংগা লৌতুনরগা ক্বালিটি লৈনা শাদব্রা'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী মরু ওইবা থোংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইরং থোং অসি লৈঙাক পায়রিবশিংগা কন্ত্রেক্টরশিংগা লৌতুনদুনা ক্বালিটি লৈনা শাহৌদবদগী ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরক্লিবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থোরকপা চেরোল অমনা মরাল শীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থোং অসি তৎতুনা হোজাইদগী মীতৈ দ্রাইভর অমা শিখিবা অমসুং লমদমসিগী মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা হায়ৱে অসি ফাওনহনখিদবা থৌওং অসি সী পি আইনা অকনবা মওংদা পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে হায়রি।

বৃটিশ মতমদা শারম্বা থোং ঙসি ফাওবা লান্নরি। অদুগা কুমজা ২০১০খক্তদা শকখঙদবশিংগী এটেক্তা তৎলুরবা থোং অসি নৌহৌননা শাখ্রবসু অমুক তৎলক্তুনা মীশি-মীনা থোকহল্লক্লিবা অসিদি মরম চাদে হায়রি।

মীয়ামগী লন থুমদগী য়াল্লবা শেনফম কয়া কায়থোক্তুনা থোং অসি নৌহৌননা শাখ্রবসু অনৌবা য়োৎকী বিমশিং শিন্দোকপগী মহুত্তা অরিবশিংদুদা শৌরগা শীজিন্নরকপদগী খুদোংথীবা অদু মীয়াম্না থেংনরিবনি হায়রি।

লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং সর্ফেস ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনচিংবা কয়ানা হন্না হন্না মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিং নিংথিনা শেম্লে, ষ্টেট অসিগী মীয়াম ৱানীংঙাই লৈত্রে হায়খিবা কুইখিদ্রি। অদুগা হায়ৱে অমদা চৎফম থোক্লিবা গাড়ীশিং লানবা য়ারোইদৌবা থোংশিং লৈহল্লিবা অসিনা করিগীদমক্তনো হায়নসু হংলক্লি।

টন ১৯দগী ৩৬ ফাওবা লূম্বা গাড়ীশিং চেলহনগদবা তাঞ্জা অসিদা টন ২০দগী হেন্না পুবা য়ারোই হায়বা ওর্দর থোক্লিবা অসিসু মরম চাদে। শক খঙদবশিংগী শেনখায় থুমখায়খক নত্তনা লৈঙাক পায়রিবশিংনসু অতম্লনা মণিপুরদা পোৎ চৈ তাঙহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লক্লি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাকসু তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা য়ারোই। থোং তৎলগা দ্রাইভর শিরবা ফাওবদা মিনিষ্টরশিং ফম কোনফম থোক্ত্রে। মখৌ পোংনা নেসনল হায়ৱে ফরে, নীংথিনা শেম্লে, অয়েৎ অপন লৈত্রে, মাগী পার্টিনা লৈঙাক পায়রকপদগী ওইরিবনি হায়খিবা অদু কাউবা য়ারোই। থৌদোক থোক্লিবা মফমসিদা চৎতুনা ঙাঙখিবগা ফীভমগা মান্নরিব্রা হায়বদু মশামক্না য়েংলুগদবনি। লোয়ননা খুদক্তা লম্বী ফাওনহন্দুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ৱারবা তাঞ্জাসিদা মীয়ামদা অকিবা ফাওহন্দনবা থবক্না উৎলু হায়রি।

# 'লৌমীশিংনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচএনএস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহন্নবা মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা মশীং য়াম্বগী শক্তি শীজিন্নদুনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম বিল অহুমগী মায়োক্তা ওল ইন্দিয়া কিষান সভানা থা অসিগী ৫দা লৈবাক শিনবা থুংনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মীওইবগী মীনুংশি য়াওদ্রবা ফার্ম বিল অহুমদা নত্তনা ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিজ এক্ট নৌনা শেমদোকখিবদগী কোভিদ-১৯গী অরুবা লানফম মরকসিদা হিংবদা চঙবা তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকপগী অৱা চৈথেং মখলশিং লৌমী শিন্মীশিংদা নত্তনা খ্বাইদগী মশীং য়াল্লবা পার্টিনি হায়না নাপল কাজরিবা বি জে পিগী ৱর্কর কয়াগী ইমুংশিংসু চপ মান্নবা ফীভমদা মায়োক্লহল্লি হায়বদু গেরুৱা মুচ্চী পার্টি অসিগী লুচিংবশিংসু খঙফম থোকপনি।

অনৌবা ফার্ম বিল অহুমসিগী চৈথেং মণিপুরদসু য়ৌরকখ্রবনি। আলু, তিলহৌ অমসুং হৱাই মখলশিংগী মমল হান্নদগী খঙহেন হেনগৎখ্রে। মসি খঙনা খঙনা ষ্টেট অসিগী মশক নাইবা লুচিংবশিংনা নরেন্দ্র মোদিগী য়াকা ইন্দুনা ফার্ম বিল অহুমসি শিংথাবা লেপত্রিবসি মণিপুর লৌমী লূপনা অঙকপা পোকই। হায়রিবা ফার্ম বিল অহুমসি হন্দোকহন্নবা ওল ইন্দিয়া কিষান সভা য়াওনা লৈবাক অসিগী লৌমী ওর্গনাইজেসন কয়ানা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা ৱাকৎ চেরোল কয়া পীশিনখ্রবসু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনদনা এক্ট ওলহনখিবদগী লৌমী ওর্গনাইজেসন কয়ানা মখল কয়াগী ঈহৌ খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

মীয়ামগী খোল্লাউ তাশিন্নদ্রবা লৈঙাক অসিদা অনৌবা পারা অমা তম্বীনবা লৈবাক অসিগী লৌমী ওর্গনাইজেসনশিংনা নবেম্বর ৫দা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। লোয়ননা নবেম্বর ২৬তা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংনা কৌরিবা লবাক শিনবা থুংবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর লৌমী লূপনা মপূং ফানা শৌকৎকনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): মতম শাংনা মৈতৈ ঈনাৎকী ঈশৈগী লম্দা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী ঈশৈ শকপী মীয়াম্না ৱায়রি থোইবী পুখম হাইবী হায়না খঙনবী অমদি মতম শাংনা চীঙ্গোই থৌগল লূপ নোংমাইচীংগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী লাইশ্রম থোইবী লৈমা, খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়, টিনসিদ রোদতা লৈবীনা মনুং মতম চাদনা মমাঙ থা ওক্টোবর ৩০দা লৈখিদবদা লূপকী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চীঙ্গোই থৌগল লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# 'মোরে আই সী পি বাই পাস রোদকী ইভিক্সন রিহেবিলিটেসন পীদ্রিঙৈদা তৌবীগনু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি, মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়বদা হৌজিক মোরেদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট (আই সী পি) গী বাই পাস রোদতগী খুঞ্জাশিং তকথোক্লবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসি তকথোক্কদৌরিবা খুল ৬৬ লোমগী মীওইশিং অসিদা রিহেবিলিটেসন অমসুং রিসেট্টলমেন্টকী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনদ্রিবা ফাওবদি ইভিক্সন তৌবীগনু হায়রি।

ইভিক্সন অসিনা শোকহনগদৌরিবা খুঞ্জাশিং অসি এম চানৌ, এস এল গমনোম, এন জি মৌলোম, লাংনোম ভেঙ, গাংতে ভেঙ, হাইজাং ভেঙ, টি য়াংগোম, ন্যু মোরে, ৱার্দনম্বর ৯, সিজ াং ভেঙ, মোরে ৱার্দ নম্বর ১ অমসুং টি তোংলাং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনি হায়রি।

খুলশিং অসিগী খুঞ্জাশিং অসি তেংনৌপলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা সেপ্টেম্বর ১১, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ১২দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী য়ুম-কৈশিং দিসমেন্টল তৌদুনা ইভিক্সন তৌরগনি হায়খিবা লৈখ্রবনি। অদুবু মফমসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা খুন্দা-লৈতাফম লৈজদ্রিবা মীওইশিং অসিগী রিহেবিলিটেসন অমসুং রিসেট্টলমেন্টকী থবকশিং মপূং ফানা পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবদি মখোয়বু ইভিক্সন তৌবীগনু হায়রি।

# য়ু এফ ও কাং সমরাম মসা লোইশঙ হাংখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও- সটজাল একাদেমি) গী ২৩২শুবা মসা লোইশঙ ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কাং সমরাম শাবল লৈকায়দা ঙসি কাং সমরাম মসা লোইশঙ হাংদোকখ্রে।

মসা লোইশঙ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অনৌবা মসা লোইশঙ অসিগী শঙলেনবু কৎচরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনি, লৈকায়গী অহল আই সনামনি, য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এস য়োহেনবা অমদি জেনরেল কম্মান্দর দল্লিয়ু ৱাঙথোইবনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কোভিদ-১৯গী লৈঙাক্না পীবা এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী থৌমীশিংনা ইবুধৌ পাখঙবগী মফমদা জেনরেল সেল্যুট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুং জ াদুমনিনা ইবুধৌ পাখংবা য়েকপা একাদেমিগী ফিরাল চিংখৎখি। লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা পুরক্লবা অমদি ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরিবা য়ু এফ ওগী থৌদাংশিংবু ইকায়খুম্নরদুনা মখা তানা অঙম্বা মতেংসু পাংখিগনি হায়না জাদুমনিনা ফোঙদোকখি।

# ডা. ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ পীগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক) না নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থোকখিবগুম ঙসি থোল্লককখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ডা. ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ ২০২০ পীরগনি হায়রি। এৱার্দ অসি ওন্টারিও অমসুং কানাদাগী হ্বাইট বাইদা বেজ তৌবা মণিপুর এসোসিএসন ওফ কানাদা (এম এ সী) গী লৈখিদ্রবা মেম্বর ডা. হিজম ইবেয়াইমবু নীংশিংদুনা কৎলকপনি হায়রি।

এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ২০, সাইটেসন অমা অমসুং মেমেন্তো অমা য়াওরি। এৱার্দ অসি সাইন্টিষ্ট/টেক্নোলোজিষ্ট/ইনোভেটর/ওন্ত্রপ্রেনুয়র ওইবা লন্নাই মীওইশিং নৎত্রগা একাদেমিক ইন্সটিট্যুসন/আর এন দি ওর্গনাইজেসন/এন জি ওনচিংবা পোলিটিকেল অমসুং রিলিজিয়স ওর্গনাইজেসন য়াওদবা মণিপুরগী সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নোলোজিকেল ইনোভেসনশিং চাওখৎহন্নবগীদমক হোৎনবশিংদা পীগনি হায়রি।

মখা তানা থোরকপা চেরোল অসিগী মতুংইন্না এৱার্দ অসিগীদমক মেনশিল্লবা এপ্লিকেসনশিং থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মাষ্টেক্তা মরী লৈনবা চে চাংশিংগা লোয়ননা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি। এপ্লিকেসন অসি মাষ্টেক্কী ওফিস নত্রগা ৱেবসাইট www.mastec.nic.in দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি।

# এম এল এবু লায়িংথৌ তোকপা থৌগল লূপনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা লায়িংথৌ তোকপা সনামহী লাইবুংগী মরোংবা শঙলেন কৎপগা লোয়ননা মমাঙ থাগী ৩১দা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নবীবগীদমক থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণবু লায়িংথৌ তোকপা থৌগল লূপকী মায়কৈদগী ভাইস প্রসিদেন্ট লোংজমচা সনাথোই পিবানা থোরকপা চেরোল অমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। এম এল এনা তৌরিবা লৈবাক্কী থৌরম থৌদা পুম্নমক্তা মায় পাকপগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংবা ওইরসনু হায়নসু লূপ অসিনা থৌনিরি হায়রি।

# মীওই ৮০১ ফ্লাইটতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমা দিল্লি, কোলকাতা, গুৱাহাতি, অগরতলা অমদি দিমাপুরনচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা, নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৮০১ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট তরেৎনা পুরগা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৫৫ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ই-৪৫৭) ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৫ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩২ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৫ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৪৮৫) অসিনা ঙসি নুংমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.২১ রোম তাবদা অগরতলাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ০০ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

মরিশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১) অসিনা কোলকাতা, গুৱাহাতি, দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৬ রোম ঙসি নুংমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬-২০১৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২০ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। তরুকশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৬ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীলই ১৩৬ রোম ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তাবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)



হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্থরক্কনি। ফম্বী চাং হস্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6440/07/10-05/11

# এম এম দল্লিয়ু ও কৈরাও মক্তিং ব্রাঞ্চকী থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা এম এম দল্লিয়ু ও কৈরাও মক্তিং ব্রাঞ্চকী থৌ পুবশিং খনখ্রে।


খল্লবশিংদি ইলিয়াজ রহমন (প্রসিদেন্ট), সবির অহম্মদ, অবদুল মালিক, ইস্লাউদ্দিন (ভাইস প্রসিদেন্ট), এম দি নসির অলি (জেনরেল সেক্রেটরি), জি য়াউরহন, রবি হুসেন অমসুং ইন্তাখান (জোইন্ট সেক্রেটরি), এম দি নৱাজ খান (ফাইনান্স সেক্রেটরি), হনিস (এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি), সদাম অমসুং অমির খাননা পব্লিসিটি সেক্রেটরিনি হায়রি।

ব্রাঞ্চ অসিগী থৌ পুবশিং খনখিবগা লোয়ননা মসিগী ৱিমেন ৱিংগী ওইনা এম এম মমটাজবুনা এদভাইজর, তোম্বীনা কনভিনর অমসুং হরিস অমসুং সজাবম সৈদানা মথংশিংনা কো কনভিনর অমদি মীদিয়া কোওর্দিনেটর ওইনা খল্লে হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি বি এম অবির খানন্না থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, ঙসিগী থৌরম অদু ওর্গনাইজেসন অসিগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট এস কে ৱজিদ শাহনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

উরুপ কাংথক ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা অনৌবা এগজিক্যুটিভ বিয়ররশিং খনবগী থৌরম অদুদা ক্যামগৈ, উরুপ অমসুং কৈরাওগী থৌমীশিং, লোকল ইন্টিলেকচুএল অমসুং সোসল ৱর্করশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

## CROSSWORD-3608



**ACROSS**

1 Evening meal (6)
4 Brought about (6)
8 Wept (5)
9 Lake District county (7)
10 Without affectation (7)
11 Scoundrel (5)
12 Dutch port (9)
17 Happen again (5)
19 Bear of the Rocky Mountains (7)
21 Wordy (7)
22 Alluring woman (5)
23 Lamb joint (6)
24 Go away (6)

**DOWN**

1 Small unit of time (6)
2 Protein (anag) (7)
3 Duck from which down is obtained (5)
5 Held in high regard (7)
6 Gesture of doubt or indifference (5)
7 More expensive (6)
9 Workmate (9)
13 Commotion (7)
14 Polish national dance (7)
15 Red Indian warriors (6)
16 Young swan (6)
18 Healed (5)
20 Offspring (5)

**Solution 3607**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3407**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | | | | 3 | 6 |
| | | | | | 1 | | | 8 |
| 4 | | | | | | | | |
| 8 | 2 | 3 | | | | | | |
| | 1 | | 6 | | | | | |
| | | | 2 | | | | 5 | 7 |
| 1 | | 2 | 3 | | | 5 | 6 | |
| | | 5 | | | | 4 | | |
| 3 | 4 | | 7 | 6 | | | | |

**Solution-3406**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 4 | 7 | 8 | 2 | 1 | 6 | 9 |
| 7 | 8 | 9 | 1 | 5 | 6 | 3 | 2 | 4 |
| 1 | 2 | 6 | 3 | 4 | 9 | 8 | 7 | 5 |
| 6 | 9 | 8 | 4 | 2 | 3 | 5 | 1 | 7 |
| 3 | 7 | 5 | 9 | 6 | 1 | 2 | 4 | 8 |
| 2 | 4 | 1 | 5 | 7 | 8 | 9 | 3 | 6 |
| 8 | 5 | 3 | 6 | 1 | 7 | 4 | 9 | 2 |
| 4 | 1 | 7 | 2 | 9 | 5 | 6 | 8 | 3 |
| 9 | 6 | 2 | 8 | 3 | 4 | 7 | 5 | 1 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers







